ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ০৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২১৮শুবা মশীং

# ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা নকশিন্নবা হোৎনরকপা

## আসিয়ন অমসুং ইষ্ট এসিয়ন সম্মিটকী মরুমদা লৌখৎনরিবা থৌরাং

ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অনীগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক পূন্নমক ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা ৱাফম য়ানবা পুরকখ্রে। থায়লেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা পাঙথোকপা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (আসিয়ন)গী মীফম অমসুং ইষ্ট এসিয়ন সম্মিটকী নাকোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চি উনখিবদা ৱাফম অসি য়ানবা পুরকখিবনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা লুচিংবা অনী উনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী লালহৌলূপ অমত্তা ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈদা ওপরেট তৌহন্দনবা ৱাফম পুখৎখি। ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা ম্যান্মারবু মরু ওইবা মপাং অমা ওইনা লৌই হায়না শীংথারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ওং সান সু চিদা হায়খি, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অতৈ মফম পূন্নমক্কা ফাওনহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লম্বী-থোং, হিথাংফম অমসুং অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎলগনি। ম্যান্মারগী পুলিস, মিলিটরি অমসুং সিভিল সর্ভেন্টশিং থাক ৱাংখৎহনবগা লোয়ননা মহৈরোয় অমদি সিটিজনশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদসু ইন্দিয়ানা মতেং পাংলগনি হায়রি। য়ূমলোন্নরিবা লৈবাক অনীগী মীওইশিং তোয়না উনহনবগা লোয়ননা নবেম্বর থা লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা কম্বোদিয়া, লাওস, ম্যান্মার অমসুং ভিয়েটনামগী বিজিনেস ইভেন্ট অমা য়াঙ্গোনদা পাঙথোকপগী ৱাফম য়ানবা পুরকখি। ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সান সু চিনসু হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়ানা হীরম কয়াদা ম্যান্মারগী মতেং পাংলকপা, লম্বী-থোং শেমগৎলকপা অমসুং দিমোক্রেসিগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। আসিয়ন সম্মিটকী নাকোয়ননা লুচিংবা অনী উনখিবদা ন্যু দিল্লিনা শেমগৎখিবা সিটৱে পোর্ট, অমদি কলাদান মল্টি মোদেল ট্রাঞ্জিট ট্রান্সপোর্ট প্রোজেক্ট লোয়ননা বোর্দর দিমার্কেসনগী মতাংদসু ৱারী শানখি। ম্যান্মারগী ন্যুজ এজেন্সি ‘মিজিমা’গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ক্রোস বোর্দর ট্রাফিক এগ্রীমেন্ট, ম্যান্মারগী পব্লিক সর্ভেন্টশিংগী ওইবা কেপাসিটি বিল্ডিং, ফিমেল পুলিস ট্রেনিং স্কুল অপগ্রেদ তৌবা অমদি হ্যুমেন রিসোর্হ দিভেলপমেন্টকী মতাংদসু লুচিংবা অনীনা য়ানবা পুরক্লে।

মালেমদা হোংলক্লিবা ফীভম অসিগী মতুং ইন্না চাইনা, ইন্দিয়া অমদি জপাননচিংবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মরু ওইবা লৈবাকশিংনা ম্যান্মারদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপগী মওং অমা উবা ফংলি। আসিয়নগী চেয়রমেন ওইরিবা থায়লেন্দনসু হীরম কয়াদা ম্যান্মারগী মতেং পাংনবা হোৎনরক্লি। নাকল অমরোমদা ষ্টেট কাউন্সেলর ওং সাসন সু চি মশামক বেঙ্কোককী আসিয়ন সম্মিটতা হকথেংননা শরুক য়ারক্লিবসি ম্যান্মারনা রিজন অসিগী মরু ওইবা লৈবাকশিংগা অচেৎপা মরী থম্ননিংবগী খূদমনি হায়না লৌবা য়াই। হীরম কয়াদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারনা য়ূমলোন্নরিবা আসিয়ন লৈবাকশিংদগী ঙাক্লৌ ফংনবা থৌরাং লৌখৎপা ওইরম্বা য়াই হায়না ইন্টরনেসনল রিলেসন্স নৈনরিবা অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা নাইতোম ইম্বোক্লম্বগী ফীভম লাকখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারনা হৌজিক চাইনা অমদি জপানদা হেন্না নকশিন্নবা হোৎনবগী মওং অমা উবা ফংলি। অকক্নবা হীরম খরদা ইন্দিয়াগা অচেৎপা মরী থম্নবা তঙাইফদে হায়না খনবগী মওং অমসু ময়েক শেংনা উবা ফংলি। রখাইন ষ্টেটতগী রোহিন্দজা রেফ্যুজি কয়ামরুম চেন্থোরকখিবগী মতাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা কন্দেম তৌরকখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারনা রসিয়াগা নকশিন্ননবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলক্লি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী থাক য়ৌনা ৱাফম অমা নৎত্রগা অমা খন্নরকপা মতমদা মতেং খরদং ওইরবসু পাংবীরক্কদ্রা হায়বগী ৱাখলদা ম্যান্মারনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মেনেন্ট মেম্বর ওইরিবা রসিয়াদা নকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা ওইরম্বসু য়াই। ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ম্যান্মারগী মিলিটরি কম্মান্দর ইন চীফ অমসুং অতৈ সিনিয়র গভর্ণমেন্ট ওফিসল কয়া মোস্কোদা তোয়না চৎখিবা পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অমরোমদা, মিলিটরি জুন্টাগী লৈঙাক্না ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি নমথখিবা, ক্রোস বোর্দর দ্রগ ট্রাফিকিং অমসুং অতৈ তোঙান-তোঙানবা মরম খরদগী ইন্দিয়াগা মতম খরা লাপথোক্লরুরবসু কুমজা ১৯৯৩গী মতুং তারকপদা লৈবাক অনীগী মরী তপ্না-তপ্না ফগৎলকখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ম্যান্মারনা পুথোরকপা পোৎলম পূন্নমক্কী য়োনফম ওইরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু মরু ওইবা লৈবাক অমা ওইরকপদগীনি। থায়লেন্দগী হেক মথংদা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী পোৎলম খ্বাইদগী লৈবা লৈবাক ওইরি। কুমজা ১৯৯৪দা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা বাইলেটরেল বোর্দর ট্রেদ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা মণিপুর, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দদা বোর্দর ট্রেদ পোইন্ট ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)না তমু-কালেৱা-কালেম্যো হায়ৱে প্রোজেক্ট পায়খৎখি। ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমবু সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা শম্নহন্নবগী পান্দমদা শেমগৎপা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ রোদ হায়নসু খঙনবা কিলোমিটর ২৫০ শাংবা হায়ৱে অসি কুমজা ২০০১গী ফেব্রুৱারী ১৩দা শঙ্গাখি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লালহৌবশিং তান্থোরক্নবগী ৱাখল্লোনদা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী মতেং ফনা য়াম্না পাংলবসু লুরবা তানফম কয়াদা থৌনা ফনা চোংথোরক্তুনা ম্যান্মারগীদমক লেপখিবা চাইনাগী অপাম্বগী মায়োক্তা ম্যান্মারনা থবক তৌরক্কদ্রা হায়বদুদি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### ইথৌ নত্তনা ইথৌ শাবা তোক্লসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈখল শুনা শাৎলিবা ঐখোয়গী ইরমদমসি নুংশিবা লৈনমদি চেন্দ্রবা লৈকোল হায়বদু ওইরক্লব্রা খল্লক্লে। দেব-কর্ম্মগী উৎসব অমগী এঞ্জাং মথেলগী মহাও মান্নদবগুম লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলসু অমগা অমগা পূক্লিং ৱাখল মান্নদবনা ঐ-ঐগী অপাম্বনা লমজিং ওইদুনা পুন্সি লোইবা ঙাইনবা ওইনা লৈনরবা মতমসিদা মীওই কয়ানা পুলিস অমসুং লৈঙাক্কী ৱায়েলশঙ লৈরি হায়বা কাউনবগুম তৌনরি। অদুবু লৈঙাক্না ৱায়েলবদা মতম কুইনা চঙলম্মী হায়দুনা থানজরক্তবগীরা খঙদ্রে। অদুবু কোকতি পানবা কোক্তি য়াওদবা, ৱাখল খন্থনবগী মফম য়াওনদবা কয়ানা অপূনবা লূপ কয়া শেল্লগা মী অমনা তৌগদবা থবক্তা ফৌয়ান য়ান্দুনা য়াওশিনবা অদুগা মখোয়না তৌরিবা থবক্তুনা অচুম্বনি খন্নবা অসিনা মরম ওইদুনা অফবনি খঙদে, ফত্তবনি খঙদে ঐখোয়গী ইথৌনি, ইথৌ নত্তে খঙদনা হৈমন শিংমন্দুনা পশিং থোকপা কয়াসু অৱাবা তাবদা য়াওনদবা নত্তে। অদুগা লৈকায় লৈকায়দা মকোক থোংবা ৱাঙাঙ হৈবা কয়ানা লুচিংবা ওইদুনা নুপা-নুপী কয়াগী ঈৱাংগী, হুরান-চিন্থি, য়ু থকপা-য়োনবা, খৎন-চৈনবগী, মীহাৎ-মীপূনগী, করিগুম্বা থৌদোক অমগী ওইরো হেক্তা ৱারোইশিনবা, ময়ূম থুদেকপা, য়ূম মৈ থাবনচিংবা তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা, লৈঙাক অমা লৈরি হায়বা কাউথোকপা, লৈঙাক্কী আইনবু তরাইনা খন্দুনা মখোয়গী খূত্তা আইন পায়বগুম লমদম অসিদা চৎনরক্লি। অদুনা অসিগুম্বা ৱাখল্লোন কয়া অসি অচুম্বদি ওইরোই, লৈঙাক লৈরি কাউথোকপসু লানগনি। হোয় তৌবগীদি লৈঙাক্কী অমদি ইরমদমগী লুরবা থৌশিলদদি মখোয়না মকোক থোংনা, মাজিল থানা চৎলিদি হায়ববু অতোপ্পা ক্রাইমদদি লৈঙাক্না তৌদনা খূৎ হেক্তা থিংজিনবা হায়বসি হুইনা খোংগদবদা গধানা খোংবা ওইনা থোকপ্রা খঞ্জে। মরম অদুনা ইরমদম অসিদা লৈঙাক অমদি ৱায়েলশঙ লৈরি, অফা-অপুনগী লম্‌দসু পুলিস দিপার্টমেন্ট লিংলি কাউবীদনা অরোন-অথুপ, হুরান-চিন্থি, ৱাথোক কয়া থেংনরবসু লূপ কয়ানা ফাবীরগসু মীগী মপোৎ মচৈ থুগাইবীদনা, অশাউবনা মীগী ময়ূম মকৈ মৈ থাবা তৌবীদনা মরী লৈনবদা তাকপীদুনা নুংশিননা খূৎশম্ননা তেংবান্নদুনা চৎমিন্নরবদি ফৎত্রবা থৌদোক কয়াদগী খরদি কনবা ঙমগদ্রা খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা, হৌজিক মতমসিদি ইচা ইমৌফাও মকু-মনেমদা থৌদা নুংশিৎ শিৎলকপা, ইমুং মনুংদা থবক শূনীংদবদগী নুংঙাইবা পামদুনা মকে শেমদুনা থবক লৈবা শাদুনা সরক লমজাওদা কোয়চৎ চৎপা, মপুরোইবনসু হোয়-মায় হায়বীদবা, মীসুম হৈবা লাইৱানা শুমখ্রবা নুপা কয়াসু লৈনদবা নত্তে। অদুগা নাকল অমরোমদা য়ানরবনি হায়দুনা হোটেল অচৌবদা চংদুনা নুপা নহাগা নোক খেনা মতম লেনবা কয়াসু য়াওনরি। অদুনা অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইরগা নুপা নুপীগী ঈথক-ঈৱাংগী ঈহৌফম ওইরক্তবা নত্তে। অদুনা ঈথক ঈৱাংদা কুম্মৈ ফিয়োংদা নত্তনা অমমম অথেংবদা নুপীনা হোটেলদা ফনা চুম্না চংজবা ওইরবসু অফবা ওইগনি থাজনদে, অউবা মীয়ামদদি চিংনবা লৈহল্লি। মসিনা মতমসিগী চৎনরিবা লমচৎ কয়াসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় ঐখোয়গী ফৎত্রবা ৱাখলশিং ফাথনরগা ইরমগীসু ফনবা, লৈঙাক্কীসু ফজবা মীংচৎ লৈনবা ঈং-তপ্না লৈপানবা ঙল্লবা লমদম ওইহনবদা, খুন্নাইগী ফজবা লৈতেং শেন্বদা ফজবা লমচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ শুমহৎপনা মতেং পাংশিন্দুনা মীগী মথৌদা ইথৌ নত্তনা ইথৌ শারগুমসি। পুকচেল চাউনা লৈঙাক্লমদা তেংবান্দুনা য়াইফবা ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়জনীংই।

*অদোমগী- তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# অদু ওইরসু ...!

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

ঐখোয়গী অদুদা অঙাং অমা লৈয়ে, মরৈ য়াম কনবা, মানা নীংঙাই তৌবসি নোংখোংদ্রিখৈ থাদে হায়দুগা চপ হেক মান্নবজাৎনি। ওন্থোক্লা শাথিখ্রবা। নুংশিবগী জাৎসিদি নুংশিখ্রবা, মরমসু য়াম্না মোকই। মাগী হায়ববু শিংনরুবা য়াদে। মানা পাম্বা পোৎ পীদবা য়াদে। মানা হায়বা ৱা য়াদবা য়াদে। করিগুম্বা মানা পায়রম্বা পোৎ অমা মীনগা লৌখ্রবা মদু মানা হেক ঙমদুনা লৌদ্রিখৈ ওন্থোক-ওন্থোকপা থবক ময়াম অমা তৌবনি। য়াদ-য়াদ্রগা মখূৎ য়াওরক্কনি। অপায়বা পোৎনা লংলক্কনি। শোক্কনি-নাগনি হায়বগী ৱাখল মঙোন্দা লৈরোই। য়াম্না শাথিবা অঙাংনি। অদুবু থেম্মগদি অদুম য়াই। মাবু হরাওহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মাবু করম্না হরাওহনগদগে হায়বসিদি অঙ্ক অমা চংই। মতমদুদা মাগী লৈরিবা মুদ অদু খঙলগা মানা য়ানীংগদবা থবক অমা নৎত্রগা ৱাহৈ অমা হায়বদা মহাক অদুম য়াগনি। মানা য়াম্না পামজবা পোৎ ওইরসু মীঙোন্দা পীথোকখিবদা কৈসু হায়রোই। অদু নত্তদনগা শিংনরুরদি লোইরে। মাগী নীংঙাই হেক হৌখিবদা নোং খোংদ্রিখৈ থাদ্রে।

হন্দক মণিপুরসিদা ওন্থোক-ওন্থোকপা থৌওং কয়া চত্থরকপা উরে। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্টতা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট হায়বা অমা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা পিছ পুরক্নবগী ৱারী শাননবগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট হায়বা অমগী টর্ম শীজিন্নদুনা খূৎয়েক পীনখি। মদু অথুবা মতমদা য়ানবা পুরক্তুনা নোর্থ ইষ্টতা মরুওইনা নাগালেন্দদা পিছ পুরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্নখি। মতমদুদা মরুওইনা মীয়ামগী পূক্লিংদা অকনবা মীপাইবা অমা পোক্লখি। মরমদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি করি য়াওরিবনো, শানগদৌরিবা ৱারী অদুগী ফ্রেমৱর্কতু করিনো হায়বগী অচৌবা ৱাহংশিং থোক্লরকখি। মসি নোর্থ ইষ্টকী ৱা খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বদা নাখোং য়াম্না শানখিবা, করিনো হায়বা মুন্না খঙনদবগী করম্বা মওংদা লাক্কদবনো হায়বা ৱাফম খঙনীংবগী লাংতক্নবা মীপূম খুদিংদা লৈখি। অদুনবু ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা হঞ্জিন হঞ্জিন এম পি কয়ানা ৱাহং অসি হংনখি। অদুবু ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা কৈসু য়াওদে হায়না পাউখুম পীদুনা লাকখি। মদুগী পাউখুম অদু হৌজিক ৱারী শানবা লোইশিনখ্রে হায়রিবা অসি ফাওবদা করিমতা খঙনদ্রি। কনামতা খঙহন্দে হায়না হায়রি। ৱারী শানরিবা কাঙবুগী মায়কৈদগীদি মতাং কয়া কয়ারক্তা শানরিবা ৱারীদুগী লাক্কদবা মহয় কয়া অদুগী ৱাফমশিং প্রেস নোট ওইনা থোক্তুনা নৎত্রগা মখোয়গী ওইবা ফঙ্কসন কয়াদা ঙাঙনরকপদগী মিদিয়া য়ৌরক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লকই। খঙহল্লক্লিবা ৱাফমশিং অদুগী মথি ফোংনরকপা মতমদা পাউখুম পীফম থোকপশিংগী মায়কৈদগী কৈসু লৈতে, করিমত্তা কায়রোই হায়বা ৱাহৈ অসি নত্তনা অতোপ্পা অমা ফাওবা হায়খিবা লৈখিদে। হৌজিকসু ফীভম অদু হোংদ্রি।

ৱারী শানবা লোইরে, য়ানগদবা পূন্নমক য়ানবা লোইরে হায়রে। সিসু হায়রিবা কাঙলূপ অদুগী মায়কৈদগী থোরকপা ৱানি, য়ানরিবদু করি করিনো হায়বদু য়াম্না নাখৈ শেংনা মীশক অমনা ফোংনা মিদিয়াদা হায়খিবা লৈখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু মসিগী মতাংদা ৱাফম খরদি আর এন রবি হায়বা ৱারী শানরিবা অসিগী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা ভদ্রলোক অমনা অদুম ইফোং ফোংনা থম্নরকখিবা লৈখ্রে। সি ফাওবদা ঐখোয় শ্বাইগী মী খরদি অদু ওইরসু ... হায়দনা করিসু অকায়বা লৈরোই হায়না হায়রি। লৈগনি হায়বা থাজদে, ঙমখৈসু কায়রোই, লৈবাকসু কায়রো, করিমতা অকায়বা লৈরোই হায়না হায়বিরি। অদু ওইরসু হায়বা মরৈ য়াম্না কনবা মী অমগী টাইপ্তা ইরায় লায়না লৈথোকপা অসিনা তুংদা করি লাক্কদগে হায়বা ৱাফম অসি নাখৈ শেংনা খঙদোক্লবা পাম্বৈ থিবা য়াই।

নাগানি হায়না হায়জবা লমদমসিগী কাঙলূপ অমনদি য়াম্না কন্না ঐখোয়দি অদুগুম্বা অদুদা পূন্নীংদে, ঐখোয়দি হান্নগী ইপা-ইপুগী চৎন-কাঙলোন অদুদা লেংদনা লৈজগে হায়না ফাওবা চেকশিন মীফম ফম্নরকপসু থেংনরে। মখোয়না হায়রক্লিবা অদুসু করিগুম্বা শামিন খরা শোয়দনা লৈরম্বা য়াবগী থাজবা লৈতবা নত্তে। নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংবা হৌনদে।

কৈনো-কৈনো খরদি লেংদনা লৈরে হায়বসিমদি চুম্লে। অদুবু ইকায়খুম্নজরিবা ঐখোয়গী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরবুদি তশেংনা থাগৎতবা ঙমদে। মহাক্কী ৱাফম অসি য়াম্না মহাক্কী ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা উৎথোকই। করিগুম্বা লৈবাক কায়গদবা ফীভম লাক্লবদি মীয়ামগী মাঙ থানা শিবিগে হায়বসি লুচিংবা অমনা পাক পাক হায়দবা ৱানি। ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরনা সেন্টিমেন্ট শোক্লা হায়ফম থোক্তনা হায়রক্লিবা ৱাফম অসিগী মরুমদা লৈরিবদি মহাক্কী থম্মোয়গী ওইবা অশেংবা ফিরেপ অদুনি হায়না লৌবা তাই। ফজৈ, য়াম্না ফজৈ, মতাংসিদা অমুক মীয়ামগী মায়কৈরোমদা য়েংলুবদদি কায়গদবা ফীভম য়েংদুনা লৈবা হায়বসি থেংমল্লি, কায়গদবা ফীভম লাক্লিঙৈদা তৌহৌবা য়াবা অমদি তানহৌবা য়াবা তানরগা ফীভম ইশোক শোক্লদবীদা মীয়ামগী ওইবা থবক নাখৈ শেংনা তৌহৌসি হায়বা অসিনি। মসিসু য়াম্না শাথিনা চুম্মী হায়বা তাই। টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা শেল্লগনি হায়বসিমদি মীয়াম্না ৱাখলনা পংশা শাগৎপা নত্তনা মসিমদি চুম্লবা মানবগী ৱাফম অমা সুম ময়েক শেংদোরক্লে। মসিগী মতাংদা নাগালেন্দ লোমদসু হৌজিকসি মীয়ামগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোরকপা থেংনরে। মণিপুরগী নাগানি হায়রিবশিং অসি ইন্দিজিনস পিপল নত্তে। মখোয়বু নাগালেন্দ ওইনা খোপচিনবা য়ারোই হায়বা ৱাফমশিং লৈরে হায়রি। মখোয় অসিদি কচ্চা নাগানি হায়না য়াম্না ইকাবা পীবগী মওংদা য়াম্না মমিং লৈবা অমদি রেসপোন্সিবিলিটি লৈবা নাগালেন্দগী লুচিংবা পোলিটিসিয়ন অমনা হায়খিবা লৈখ্রে। মসিনা করম্না থোরক্লিবনো? ঐখোয়গী শ্বাইদা কৈমতা খঙদে, কৈমতা হায়দে হায়না লৈরবসু নাগালেন্দদদি ৱাফমশিং অসি ইফোং ফোংবা মানবা ওইনা থোরক্লিবসি করমননো হায়বা অসি নৈননীংঙাই ওই।

ইন্দিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পিছ একোর্দ অসি শোয়দনা খূৎয়েক পীনরগনি অমদি লাউথোক্লগনি হায়বসি ফোঙদোকখ্রে। মতম ফাওবা থাখিবা লৈখ্রে। অদু ওইরবদি হৌজিক মণিপুর মীয়ামগী খূৎতা নুমিৎ কয়া লৈরি। নুমিৎশিং অসিনা অসুম অসুম থেকচিনখিবদা থেক্কদবা নুমিৎ মশীং ইয়াম য়াল্লক্ত্রবা মতম অসিদা ঐখোয় শ্বাইদা নীংঙাই য়াম্না চাউবা ঐখোয় লৈকায়গী অঙাংদৌনা অদু ওইরসু হায়না সুম লৈথোকপা তারবদি ইরোই লোইবা মতমদা, নখোয় লাকও কৈ-কৈনো খন্নরসি হায়না কৌরগা, সুমাইনা তৌ তারে হায়রগা কৈসু খন্ননবগী মতম লৈতনা থোক লাউথোক্লগদি, কমাই তৌবা? অদুসু ৱাদি খন্নরম্মীদনা, ষ্টেক হোল্ডরশিং পাউ পীরম্মীদনা। অদুগী মতমদুদা ৱা খন্নৈ হায়না অদুম হায়দৌরিব্রা? নুমিৎ খরদা ঙাইরবদা ঐখোয়গী সী এস ওশিং নৎত্রগা লৈবাক্কী লুচিংবা মীয়াম খরা কৌরক্লবসু চৎফম থোকপ্রা? চৎলগা খন্নদৌরিদু করিনো? খন্নগদবা ৱাফমশিং হান্না মাঙদা থমদনা খন্নসি হায়না কৌরগা এজেন্দা পুথোকপা চুম্বা? মীটিং কৌবা হায়বসিমক্তবু এজেন্দাদু সিনি হায়না খঙহল্লগা কৌনরিবনি। অদুনা ৱাফমশিং অসি য়াম্না লুবা হেনজিল্লক্লি।

লৈরিবা ফীভম অসিসু অদু ওইরসু ... হায়না লৈথোকপা তারবদি লমদম অসিগী তুংগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বা অসি অরুবা ওইরক্কনি। ●

# নুমিৎকী মঙালদা থম্লবসু, ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদনা ঈংদুনা অদুম লৈবা খূৎলায়



(ওয়) এরোজেল য়াওরবা পাত্র, (য়েৎ) এরোজেল য়াওতবা পাত্রদা চাং য়েংখিবগী শক্তম



চিলিগী অতাকমাদা চাং য়েংখিবগী মমি

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

নুমিৎকী মঙালদা য়াওরিবা ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন্না মঙালসিদা থল্লিবা পোৎ অমবু শাগৎহল্লি। অদুবু ইলেক্ট্রিসিটি নৎত্রগা লেংথোক-লেংশিন য়াবা পার্টশিং হাপ্লগা নুমিৎকী মঙালদা থল্লিবা পোৎ অমবু ঈংহনবদি য়াই। অদুবু অঙকপা মওং অমদা মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) অমসুং চিলিগী পোন্টিফিকাল কেথোলিক য়ুনিভর্সিটিগী থিজিল্লিবা কাঙবু অমনা ইলেক্ট্রিসিটি নৎত্রগা লেংথোক-লেংশিন য়াবা পার্ট অমত্তা য়াওদনা নুমিৎকী মঙালদা থল্লিবা পোৎ অমবু সেলসিয়স দিগ্রী ১৩দা ঈংহনবা ঙম্লে হায়রি। মখোয়গী খূৎলায় অসি ‘রেদিএটিভ কুলিং’ হায়না খঙনবা থৌওং অদুগী মতেংনা শাবনি। থৌওংসিগী মতেংনা, খূৎলায় অসিনা নুমিৎকী মঙালবু থিংদুনা থম্বগা লোয়ননা, ইনফ্রা-রেদ রেদিএসনবু থক্তোকহনখিদুনা নুংশিত্তা থাদোকখি। খূৎলায়দুগী মনুংদা য়াওরিবা ইনফ্রা-রেদ রেদিএসনশিংসু থাদোকহনখিদুনা খূৎলায়দুগী মনুংদু নুংশিৎকী শাবগী চাংদগী হন্থহনবা ঙম্মী। মখোয়গী শেল ইচং চংদবা, অদুগা ইচম চম্বা খূৎলায় অসিগী মরুওইবা থবকসি মৈশানা ফাওরগা চৎপা ঙমদবা ‘এরোজেল’ হায়না খঙনবা পোলিইথাইলিন ফোম অমনা পাঙথোকহনবনি। এরোজেল অসিনা মীৎনা উবা ঙম্বা মঙালবু চংহন্দে, অদুবু মসি ইনফ্রা-রেদ রেদিএসনবুদি ফাওদুনা চৎহনবা ঙম্মী। অদুনা ইনফ্রা-রেদ রেদিএসনবু খূৎলায় মনুংদগী মপান্দা থোকহনখিদুনা ঈংহনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা খূৎলায় অসিনা ইলেক্ট্রিসিটি মরাং কায়না ফংদবা হায়বদি রেফ্রিজরেসনগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমশিংদা, মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈশিংবু মতম কুইনা পুমহন্দনা থম্বা ঙম্লগনি হায়রি। মখোয়গী থিজিনবগী পাউদম অদু ‘সাইন্স এদভান্সেস’ (ওক্টোবর ৩০, ২০১৯) দা ফোঙদোকখিবনি।

রেদিএটিভ কুলিং হায়বসি অশাবা পোৎশিংবু থুনা ঈংথহনবদা শীজিন্নবা অচম্বা থৌওং অমনি। মখোয়না ময়ায় ওইরপ্পা রেঞ্জগী ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন থাদোক্তুনা অশাবা পোত্তুদগী মৈশাবু নুংশিত্তা থাদোকখি মরমদি ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন্না নুংশিৎ ফাওদুনা লায়না চৎপা ঙম্মী। মমাঙ চহীদা এম আই টিগী গ্রেজুয়েট মহৈরোয় অর্নি লেরোই অমসুং প্রোফেসর ওফ মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রিংগী ইভেলিন ৱাংনা পুথোকখিবা ঈংহন্নবগী খূৎলায় অমদদি রেদিএটিভ কুলিংগা লোয়ননা, অপাবা ধাতুগী মচেৎ শীজিন্নরগা নুমিৎকী মঙালনা হকথেংননা য়ৈহনখিদে। খূৎলায় অদুদগী হন্দক নৌনা পুথোরক্লিবা খূৎলায় অসিনা ঈংহনবগী মতম তঙ্খাইগী চাংদা হন্থহল্লি হায়না পাউদম অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।



(ওয়) এরোজেল মচেৎ অমনা মীৎনা উবা মঙালবু থিংলগা থক্তোরকপদগী এম আই টিগী লোগোবু উবা ঙমদবা, (য়েৎ) ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন্না ফাউদুনা চৎখিবদগী এম আই টিগী লোগো উবা

লেরোইনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না থেংনখিবা অচৌবা অয়েৎ-অপন অমদি মৈশা (ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন) অদুবু খূৎলায় মনুংদা চংহন্দবা অমসুং খূৎলায় মনুংদগী মৈশাবুনা মপান্দা থোকহনখিবা ঙম্বা পোৎ অমা থিবনি। অশাবা পোৎ অমদগী মৈশা পীথোকখিবা মতমদা, পোত্তুবু শাহন্দবা হায়বসি অরুবা অমনি। খুদম ওইনা অশাবা ঈশিং য়াওরবা পাত্র অমদগী মৈশানা নুংশিত্তা থোকখিবা মতমদা পাত্রদু শারকই। অদুগুম্বা পাত্রদু শাহন্দবা হায়বসি অরাইবা অমা নত্তে। মসিগী অয়েৎ-অপনসি এরোজেল মখল অদুনা থোকপা ঙমহনখিবনি হায়না ৱাংনা ফোঙদোক্লি।

এরোজেলশিংসি য়াম্না কূপ্পা কোঙ্গোল মওংগুম্বা পোৎশিংগা লোয়ননা নুংশিৎনা মরুওইবা য়াওবা অয়াঙবা পোৎশিংনি। মখোয়না মৈশাবু থিংদুনা থম্বা ঙম্মী। মখোয়না শীজিন্নরিবা এরোজেল অসি প্লাষ্টিক্কী খাওশিং শাবদা শীজিন্নবা পোলিইথাইলিন্দগী শেম্বনি। মসিনা নুমিৎ মঙালগী ৯০%দি চংহন্দবা ঙম্মী, হায়বদি থক্তোকহনখি। অদুনা লৈমাইদু ঈংদুনা লৈহল্লি। অদুবু ঙক্লিবদি খূৎলায় মনুংদগী মৈশাদুগী ৮০%দি মপানলোমদা থাদোকখিবা ঙমহল্লি। এরোজেল অসিনা শাবা প্লেট অমগী মখাদা থম্বা ধাতু নৎত্রগা কেরামিক্কী মচেৎ অমবু য়াম্না থুনা ঈংহল্লি। প্লেট অদুগা শম্নবা পাত্র অমবু ঈংদুনা লৈহল্লি নৎত্রগা প্লেট অদুগা শম্নবা কোইল অমগী মনুংদা য়াওরিবা ঈশিংবুসু ঈংহল্লি।

এম আই টি অমসুং চিলিগী কোলাবোরেটরশিংনা পুথোরক্লিবা খূৎলায় অসিবু চাং য়েংনবগীদমক, মালেমগী খ্বাইদগী শাবা লমশিংগী মনুং চল্লিবা চিলিগী অতাকমা মরুভুমিদা পুরক্লম্মী। মফমদুদা নোং ইতা তাদে অদুগা শাসু য়াম্না শারম্মী। মফমদুগী নুমিৎ য়ুংলকপগী মতমদা খূৎলায়দু থম্লগা চাং য়েংবদা সেলসিয়স দিগ্রী ১৩ ফাওবা ঈংহনবা ঙমখি। অদুবু মসাচুসেটসকী এম আই টিগী কেম্পসতা চাং য়েংবদনা, সেলসিয়স দিগ্রী ১০ ফাওবা ঈংহনবা ঙমখি হায়রি। মখোয়গী খূৎলায় অসি মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈশিং লিশিনবতা নত্তনা রেফ্রিজরেটর অমগী মনুংবু ইহান হান্না ঈংহনবসু য়াগনি। মসিনা ইলেক্ট্রিক এনর্জি চাবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। থিওরিগী ওইনদি অসিগুম্বা খূৎলায় অমনা সেলসিয়স দিগ্রী ৫ ফাওবা ঈংহনবা ঙমগদবনি। অসুম্না মখোয়না মখা তানা হীরমসিদা থিজিনখিগনি হায়না ফোঙদোক্লি। এয়র কন্দিসনিং (এ সী) সিষ্টেমশিংনা কা নৎত্রগা য়ূম অমবু ঈংহনবদা ইলেক্ট্রিক এনর্জি য়াম্না চংই, অদুবু মখোয়গী খূৎলায় অসি শীজিন্নরগদি ইলেক্ট্রিক এনর্জি চাবগী ৱাফম লৈররোই; অদুনা শেল মখা তানা তিংহল্লরোই হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।